জুন ১০, ২০২৬: কেন্দ্রগী মন্ত্রী-মন্দলনা লৌখিবা ৱারেপ

দ্রাফ: ২

**সবজেক্ত: ইকাই খুম্নরবা প্রধান মন্ত্রীনা মীয়াম্না খল্লবা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী মতম শাংনা পাল্লকপা প্রধান মন্ত্রী ওইবগী পুৱারী ওইরবা থৌরম**

ঙসি, জুন ১০, ২০২৬ অসি ভারতকী দেমোক্রেসীগী খোঙচৎতা পুৱারী ওইরবা অমসুং ইথিল পীরিবা মাইলস্তোন অমনি। ঙসি শ্রী নরেন্দ্র মোদীনা মীয়াম্না খল্লবা প্রধান মন্ত্রী ওইনা লৈবাক অসিবু খ্বাইদগী শাংনা লেপ্তনা পাল্লকপা প্রধান মন্ত্রী ওইখ্রে। মহাক মীয়াম্না খল্লবা পি.এম. অমা ওইনা নুমিৎ ৪,৩৯৯ লেপ্পা লৈতনা সর্ভিস তৌরকপগী রেকোর্দ থমখ্রে - মসি নীংতম্লবা ভারতকী পুৱারীদা অহানবা ওইনা পাংথোকখিবা থৌওং অমনি। মমাংদা, শ্রী জৱাহরলাল নেহরুনা ফম অসি ১৯৫২দগী ১৯৬৪ ফাওবদা নুমিৎ ৪৩৯৮ লেপ্তনা পাইখি।

থৌরম অসিনা ভারতকী দেমোক্রেতিক্কী ৱাখল্লোনগী মপাঙ্গল, মীয়ামগী থাজবা অমসুং মীয়ামগী শরুক য়াবগী মশক তাক্লি। মীয়ামগী মীহুৎ অমনা 'নেসন ফার্স্ত'কী ৱারেপ অদুগা লোয়নননা হিংলবদি, মহাক্না অচুম্বা, ইকাইখুম্নবা, হোৎনবা কনবা, পুকচেল শেংবা অমসুং পুঙ্সিদা অচুম্বা তৌবনা মহাক্কী লমজিং-লমতাক ওইহনবা, অমসুং মীয়ামগী সেবা তৌবদা লেপ্পা লৈতনা কত্থোকপা তারবদি মীয়াম্না মমাংদা অমুক্তা ওইখিদ্রিবা মওং অমদা শৌগৎতুনা মঙোন্দা থৌজালশিং পীগনি। ঙসিগী পুৱারী ওইরবা তাঙ্কক অসিদি মীয়ামগী য়াইফ-মঙ্গোল অসিবু উৎলি।

কেন্দ্রগী মন্ত্রীমন্দলনা থৌরম অসিদা ইকাই খুম্নরবা প্রধান মন্ত্রী শ্রী নরেন্দ্র মোদীবু থম্মোয় শেংনা থাগৎপা ফোংদোক্লি অমসুং য়াইফ-পাউজেল পীরি।

২০২৬গী জুন ১০গী পুৱারী ওইরবা মাইলস্তোন অসি অতোপ্পা মরুওইবা মায়পাকপশিংগা পুন্না তামিন্নরি। ইকাই খুম্নরবা প্রধান মন্ত্রীগী লুচিং মখাদা এন.দি.এ. সরকারনা চহি ১২ মপুং ফারি। সরকারগী মকোক ওইনা, ইকাই খুম্নরবা প্রধান মন্ত্রীনা চহি ২৫ লেপ্তনা সর্ভিস তৌরকপগী পুৱারী ওইরবা মাইলস্তোনসু য়ৌরগনি।

চহি তরাগী খুজিং তরুক্কী মতুংদা, লৈবাক অসিনা প্রধান মন্ত্রী শ্রী নরেন্দ্র মোদীগী লুচিং মখাদা অহুমশুবা তর্মগীদমক এন.দি.এ. সরকারদা মেন্দেত পীখিবা অসিসু পনবা য়াই। ঐখোয়গী লুচিংবা অসি অসিগুম্লবা সেঙ্গিতিবিতী লৈবা, মপাঙ্গল লৈরবা, ইথিল লৈবা অমসুং ৱারেপ লৌবা ঙম্বা মীওইশিংগী খুৎতা লৈবসিদা ঐখোয়না চাউথোকচবা ফাওই।

ইকাই খুম্নরবা প্রধান মন্ত্রী শ্রী নরেন্দ্র মোদীগী পুন্সি অসি সেবা, থৌনা অমসুং লৈবাক শেমগৎপগী লেপ্পা লৈতনা হোৎনবগী খুদম অমনি। মহাক্লা ওর্গানাইজেসন ৱার্কর অমা ওইনা অমসুং রাজ্য অমগী মুখ্য মন্ত্রী অমা ওইনা মহাক্কী চাউরবা এক্সপরিয়েন্সনা মরম ওইদুনা গ্রাউন্দ রিএলিতিশিংবু খঙবা ঙমখিবনা পোলিসীশিংবু হেন্না সেঙ্গিতিব, প্রেক্তিকেল অমসুং রিজল্ত ওরিয়েন্তেদ ওইহনখি।

২০১৪দা প্রধান মন্ত্রী ওইনা ৱাশক লৌরবা মতুংদা মহাক্লা মহাক মশাবু পার্লিয়ামেন্তগী সেন্ত্রেল হোলদা 'প্রধান সেবক' হায়না কৌজখি। মহাক্লা লৈবাক অসিগী সংবিধানবু শেংলবা লাইরিক অমনি হায়না ফোংদোকখি অমসুং মহাক্কী সরকার অসি লায়রবশিংগীদমক কখোক্লে হায়নসু ফোংদোকখি। সবকা সাথ, সবকা বিকাসকী মন্ত্র অসিবু সরকার অসিগী মোতো ওইহন্দুনা হৌখিবা চহি ১২ অসি মসিগী ৱারেপশিং অসিগী মমি অমা ওইরি।

প্রধান মন্ত্রীগী লুচিং মখাদা ভারতনা লায়রবশিংগী য়াইফ-থৌরাংবু লৈঙাকপগী মরু ওইবা ৱাফম ওইনা লৌরি। অহানবা ওইনা, পক্কাগী য়ুম, ইলেক্ত্রিসিতী, গ্যাস কন্নেক্সন, অফবা থক্নবা ঈশিং, তোইলেৎ অসিনচিংবা খুদোংচাবশিং অসি লৈবাক অসিগী মীওই করোর কয়াদা পাক শন্না ফংহনখ্রে। অহানবা ওইনা, মীওই করোর কয়াগী বেঙ্ক একাউন্ত হাংদোক্লুনা মসিনা মখোয়দা দালালি চাবা মীওই অমত্তা য়াওদনা হকথেংননা সরকারগী তেংবাং ফংহনখি। অহানবা ওইনা, প্রজা করোর ৮০ হেনবনা লেন্না রাসন ফংহনবগী খুদোংচাবা ফংখি অমসুং অহানবা ওইনা, লায়রবা মীওই করোর ৬০ হেনবনা লুপা লাখ ৫ ফাওবগী লেন্না লায়েংবগী খুদোংচাবা ফংখি। হায়রিবা থৌরাংশিং অসিনা মীয়ামদা মশাদা থাজবা হেনগৎহনখি অমসুং ইকাই খুম্নবা পুন্সি অমা হিংবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা পোকহনখি। মসিগী মহৈ ওইনা মীওই করোর ২৫ হেন্না লায়রবদগী থোরকপা ঙমখি।

**প্রধান মন্ত্রীনা নহাশিংগী শক্তিবু ভারতকী খ্বাইদগী চাউবা** লননি **হায়না লৌই।** মহাক্কী লমজিং মখাদা স্কিল দিবেলপমেন্ত, স্তার্ত অপ ইন্দিয়া, ইন্নোবেসন, দিজিতেল ইকোনোমী, স্পোর্তস, এন্ত্রপ্রিন্যুওরশিপ অমসুং ফিৎনেস অসি মমাংদা অমুক্তা ওইখিদ্রিবা মওংদা চাউখৎলক্লি। হৌখিবা চহি ১২ অসিদা ভারত

অসি মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা স্তার্ত-অপ ইকোসিস্তেমগী অহুমশুবা মফমদা লৈরক্লি অমসুং হৌজিক ঐখোয়গী লৈবাক অসি মালেমগী মরুওইবা শান্ন-খোৎনবগী শক্তি অমা ওইরক্লি। ভারতনা মিসন চন্দ্রয়ানগী মখাদা থাগী খা থংবা পোলদা মচু অহুমগী ফিরাল চীংখৎতুনা মালেমদা মাগী চাউখৎলক্লিবা সাইন্তিফিক কেপাসিতীশিংসু উৎখ্রে।

প্রধান মন্ত্রীনা ইথিল পীরদুনা হৌখিবা চহি ১২ অসিদা ভারতকী চাউখৎ থৌরাংগী খোঙচৎতা নুপীশিংনা লুচিংবা চাউখৎ থৌরাংগী অনৌবা পন্দুপ অমা হাপচিনখ্রে। মহাক্কী লমজিং মখাদা, সরকারনা লৈবাক অসিগী নুপীশিংবু মাগী পোলিসীশিংগী ময়াইদা লেপ্পা লৈতনা থম্লি। তোইলেৎকী খুদোংচাবশিং, মৈখু চেন্দবা চাকশঙ, মীরোল্লিঙৈ মতমদা শেলগী তেংবাং, মুদ্রা য়োজনা, নুপীশিংগী মিংদা পি.এম. অৱাস, লাখপতী দিদি আভিয়ান, লৈবাক অসিগী নুপীশিংগী পুন্সিগী তাঙ্কক খুদিংদা, পোকপদগী হৌরগা মখোয়গী অরোইবা তাঙ্কক ফাওবদা মপুং ফাবা তেংবাং পীনবা পথাপ অমা শেমখ্রে। লোক সভা অমসুং লেজিসলেতিব এসেমব্লীশিংদা নুপীশিংদা চাদা ৩৩গী রিজার্বেসন পীদুনা, লৈবাক অসিগী পোলিসী শেমবদা মখোয়গী শরুক য়াবা হেনগৎহন্নবা হোৎনরি।

ঐখোয়গী লৌমীশিং, ইকাই খুম্নরবা প্রধান মন্ত্রীনা পান্দম থম্লিবা 'ভিক্সিত ভারত' (চাউখৎলবা ভারত) অসিগী মরুওইবা য়ুম্বীশিংগী মনুংদা অমনি। হৌখিবা চহি ১২ অসিদা, লৌমীশিংদা অনৌবা মখলগী মরুশিং পীনবা, মপুং ফাদ্রিবা ইরিগেসন প্রোজেক্ত কয়া লোইশিনবা, পি.এম. কিসান সম্মান নিধি ফংহনবা, এম.এস.পি. হেনগৎহনবা অমসুং সরকারগী প্রোক্যুর্মেন্ত হেনগৎহনবা অসিগুম্বা খোঙথাং কয়া অমা লৌখৎখ্রে। মরুওইনা অপীকপা লৌমীশিং, শা-শন য়োকপা মীওইশিং অমসুং ঙা য়োকপা মীওইশিংগীদমক মমাংদা অমুক্তা ওইখিদ্রিবা থবক কয়া পাংথোকখ্রে। প্রধান মন্ত্রীনা লৌমীশিং অমসুং ঙামীশিংদা কিসান ক্রেদিৎ কার্দশিং পীনবা ৱারেপ লৌখিবদগী মীওই লাখ কয়ানা কান্নবা ফংলি। ঙসিদি, ভারতকী লৌউ-শিংউগী এক্সপোর্ত অসি লুপা করোর লাখ ৫ হেনগৎখ্রে। মসিনা লৌমীশিংগী য়াইফ-থৌরাংগা মরী লৈনবা ইকাই খুম্নরবা প্রধান মন্ত্রীগী পোলিসীশিংগী ময়েক শেংবা ইথিল অমনি।

**প্রধান মন্ত্রীনা নেস্নেল সেক্যুরিতীদা অনৌবা মায়োল অমা পীখ্রে, অনৌবা অৱাংবা থাক অমা পীখ্রে। তেরোরিজমগী মায়োক্তা অকনবা খোঙথাংশিং লৌখৎপগী ক্রেদিৎ অসি মহাক্কী লীদরশিপতা মপুং ফানা পীরি।** অহানবা ওইনা, ঙমখৈ লান্না লৈবা তেরোরিস্ত কেম্পশিংদা সর্জিকেল স্ত্রাইক চৎথখি। অহানবা ওইনা, ঙমখৈ লান্না এয়র স্ত্রাইক অমা চৎথখি। অহানবা ওইনা, 'ওপরেসন সিন্দুর'গী মখাদা, মমাংদা ৱাখলনা শাগৎপা ঙম্লদবা পাকিস্তানদা লৈবা মফমশিংদা তার্গেৎ তৌখি। ইকাই খুম্নরবা প্রধান

মন্ত্রীগী পাউতাক্কী মতুং ইন্না, ভারত সরকারনা চহি তরাগী খুজিং কয়াগী মমাংদা পাকিস্তানগা লোয়ননা খুৎয়েক পীনখিবা ইন্দস ৱাতর ত্রিতী অসি সস্পেন্দ তৌখ্রে। হৌজিক্তি ভারতকী ঈশিং অসি ভারতকী লৌমীশিংদা কান্নবা ফংহল্লগনি।

**ইকাই খুন্নরবা প্রধান মন্ত্রীগী লুচিং মখাদা ভারতনা নক্সলিজমদগী মপুং ফানা নীংতম্বা ফংলে।** অৱাং-নোংপোক লমদমদা মতম চুপ্পগী ওইবা শান্তিগী য়ানচে কয়া অমা খুৎয়েক পীনখ্রে, মসিনা লমদম অসিদা মমাংদা অমুক্তা ওইখিদ্রিবা শান্তিগী চহিচা অমা পুরক্লি। বঙ্গলাদেশকা লোয়ননা চহি কয়াদগী লৈরক্লবা ঙমখৈগী চয়েৎনবা অদুসু লোইশিনখ্রে।

**প্রধান মন্ত্রীনা থাজবা থমখি মদুদি ভারত অসি, মশা-মরোমদোম লেপচবা ঙমদ্রদি চাউখৎলবা লৈবাক অমা ওইবা ঙম্লোই।** মসিগী ইথিল অসিগা লোয়ননা মেক ইন ইন্দিয়া অমসুং আত্মনির্ভর ভারত কেম্পেনশিংনা খোঙজেল য়াংখৎলক্লি। ঙসিদি, ভারতনা দিফেন্স, ইলেক্ট্রোনিক্স, ওতোমোবাইল, অমসুং ফার্মাস্যুতিকেলগুম্বা তোঙান তোঙানবা সেক্তরশিংদা মেন্যুফেকচরিং অমসুং এক্সপোর্ত তৌবদা অনৌবা রেকোর্দশিং থম্লি। মসিগী মথক্তা, সেমিকন্দক্তরশিং, গ্রীন ইনর্জী, স্পেস তেক্নোলোজী অমসুং আর্তিফিসিএল ইন্তেলিজেন্সকী লমদা শীংথানীংঙাই ওইবা থবকশিং পায়খৎলি।

প্রধান মন্ত্রীগী লুচিং মখাদা, ভারতকী মালেমগী থৌদাং অসি মমাংদা অমুক্তা ওইখিদ্রিবা মওংদা মপাঙ্গল কনখৎলে। মালেমগী প্লেৎফোর্মশিংদা ভারতকী ভোইসনা অনৌবা চাউথোকচবগী থাক অমা ফংলে। ভারতনা জি-২০গী মায় পাক্লা প্রসিদেন্সী পাইখিবা অসিনা গ্লোবেল সাউথকী এস্পিরেসনশিং ফোংদোকপা, অমসুং তোঙান তোঙানবা গ্লোবেল ইনিসিএতিবশিংদা লুচিংবা থৌদাং লৌবনা লৈবাক অসিগী মালেমগী থাক্তা লৈরিবা ইকাই খুন্নবা অদুবু অনৌবা থাক্তা পুখৎলে। প্রধান মন্ত্রীনা হোৎনখিবশিংনা মরম ওইদুনা লৈবাক ১৯০ হেনবনা অমত্তা ওইখি অমসুং য়ুনাইতেদ নেসন্সনা জুন ২১বু মালেমগী য়োগ নুমিৎ ওইনা লাউথোকখি।

প্রধান মন্ত্রীগী লুচিং মখাদা ভারতনা মালেমদা ক্লাইমেৎ চেঞ্জ অমসুং সস্তেনেবল দিবেলপমেন্তকী লমদা থৌদাং লৌবা অমসুং ইথিল পীবা মোদেল অমা পীরি। ভারতনা ইন্তর্নেস্নেল সোলর এলাইন্স, কোলিসন ফোর দিজাস্তর রেসিলিয়েন্ত ইনফ্রাস্ত্রকচর অমসুং গ্লোবেল বাইওফুএল এলাইন্সকুম্বা খোঙথাং কয়া লৌখৎখ্রে। মিসন লাইফ অমসুং 'এক পের মা কে নাম' (ইমাগী মিংদা উ-পাম্বী অমা) অসিগুম্বা মীয়ামগী খোঙজংশিং অসি মালেমগী ফম্পাকশিংদা ভারতনা শরুক তম্বা ওইনা হৌদোকখি। 'কেৎচ

দি রেন' অমসুং অমৃত সরোবরগুম্বা কেম্পেনশিংনা ঈশিং য়োকশিনবদা মতেং পাংবতা নত্তনা নহা ওইরিবা মীরোলশিংবুসু মসিগী থৌদাং অসি খঙহনখ্রে।

ভারতকী পুৱারীদা অহানবা ওইনা, চাউখৎপা অমসুং হেরিতেজ অসি পুন্না মাংলোমদা পুখৎলি। মসিনা ভারতকী কলচরেলগী ওইবা ৱাখল্লোনবু অমুক হন্না হিংগৎহনখি। ইকাই খুম্নরবা প্রধান মন্ত্রীনা লৈবাক অসিদা মীখা পোল্লম্বগী ৱাখল্লোনদগী নীংতমহন্নবা, নেস্নেল প্রাইদ অমুক হন্না শেমগৎনবা অমসুং মাগী সিভিলাইজেস্নেল হেরিতেজ অসিদা চাউথোকচবা পোক্লবা হায়খি। ঙসিদি লৈবাক অসিনা মসিগী মহৈসু উবা ফংলি। অনৌবা পার্লিয়ামেন্ত হাউস, সেবা তীর্থ, কর্তব্য পথ অমসুং কর্তব্য ভবন অসিগুম্বা কন্সত্রক্সন কয়ানা অনৌবা ভারতকী অনৌবা থাজবগী খুদম ওইরক্লি।

প্রধান মন্ত্রীনা মীয়াম্না শরুক য়াবা অসি অহোংবা পুরক্লবা পাম্বৈ অমা ওইহল্লি। স্বচ্ছ ভারত আভিয়ান ওইগেরা, বেতি বচাও বেতি পরাও আভিয়ান ওইগেরা, নৎত্রগা এল.পি.জি. সবসিদী থাদোকপদা পুক্লিং থৌগৎপা ওইগেরা মসিনা চহি কয়া অসিদা মীয়ামগী অপুনবা খোঙথাংগী মরু ওইবা মীদিয়ম অমা ওইরককী। মীয়াম্না শরুক য়াদুনা অহোংবা পুরকপগী ইথিল অসিগা লোয়ননা লৈবাক অসিনা কোরোনাগুম্বা লাইচৎ অসি মায় পাক্লা থেংনখি। অমসুং ঙসিসু, লৈবাক অসিগী মীওই করোর ১৪০না পুন্না মালেমগী ওইবা অচৌবা অৱাবা অমা মায়োক্নরি।

কেন্দ্রগী মন্ত্রীমন্দলনা হায়খি মদুদি হৌখিবা চহি ১২ অসিদা লৈবাক অসিনা থেংনখিবা রাজনিতীগী ওইবা তংদু লৈতাবা অসিনা চাউখৎপগী খোঙজেলদা মমাংদা অমুক্তা ওইখিদ্রিবা মওংদা খুমাং চাউশিলহনখ্রে। হৌখিবা চহিশিংদা ভারতকী ইনফ্রাস্ত্রকচর লেন্দস্কেপ অসি য়াম্না থুনা হোংলকপা অসি মসিগী খুদম অমনি। ভারতকী রাজনিতীগী ওইবা তংদু লৈতাবা অসিনা লৈবাক অসিগী মালেমদা লৈরিবা ইথিল অমসুং মালেমগী ইনভেস্তরশিংদা অফবা শাফু অমা পীরি।

হৌখিবা চহি ১২ অসিদা, প্রধান মন্ত্রীগী লুচিংবা অসি গভর্নান্সতা দাইনামিজম, ৱারেপ লৌবদা ত্রান্সপরেন্সী অমসুং পোলিসীশিংদা ভিজন লৈবনা মশক তাক্লি। মসিনা ভারতপু মালেমগী খ্বাইদগী খোঙজেল য়াংনা চাউখৎলক্লিবা অচৌবা ইকোনোমী অমা ওইবা ঙমহনখ্রে।

কেন্দ্রগী মন্ত্রী-মন্দল:

১. অসিগুম্বা পুৱারী ওইরবা মায়পাকপগীদমক প্রধান মন্ত্রী শ্রী নরেন্দ্র মোদীবু থম্মোয় শেংনা থাগৎপা ফোংদোকচরি অমসুং য়াইফ-পাউজেল পীজরি।

২.   লায়রবশিংগী য়াইফনবা অমসুং খুন্নাইগী শোত্থরবা কাংলুপশিংবু মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা মহাক্কী লুচিং মখাদা পায়খৎলিবা থবকশিংগীদমক থাগৎপা ফোংদোকচরি।

৩.   মহাক্কী লুচিং মখাদা ভারতকী লায়রবা মীওই করোর ২৫ হেন্না লায়রবদগী থোরকপা ঙমহনখিবা ইকাই খুন্নরবা প্রধান মন্ত্রীগী পোলিসীশিংবু থাগৎপা ফোংদোকচরি।

৪.   লৈবাক অসিবু সেবা তৌবদা মহাক্কী চাউনা কত্থোকপা অমসুং চোকথবা লৈতনা হোৎনবগীদমক থাগৎপা ফোংদোকচরি।

5.   ইনক্লুসিব দিবেলপমেন্ত অমসুং সোসিএল জস্তিসকী মায়কৈদা মখোয়না হোৎনরিবশিংবু থাগৎপা ফোংদোকচরি।

6.   নেস্নেল সেক্যুরিতী মপাঙ্গল কনখৎহনবা অমসুং ভারতকী ইন্তরেস্তশিং ঙাকপগী মহাক্কী লুচিংবগী মতৌবু অদু থাগৎপা ফোংদোকচরি।

7.  চাউখৎলবা ভারত অমা শেমগৎনবা মহাক্কী মীৎয়েং শানবা ফিরেপ অমসুং লুচিংবগী মতৌগী মায়কৈদা মপুং ফানা শৌগৎলি হায়না ফোংদোকচরি।

অমসুং মসিগা লোয়ননা,

কেন্দ্রগী মন্ত্রী-মন্দলনা ইকাই খুন্নরবা প্রধান মন্ত্রীনা হকচাং ফনা অমসুং মতম শাংনা পুঙ্গিবা ওইরসনু য়াইফ-মঙ্গোল পীজরি।

কেন্দ্রগী মন্ত্রী-মন্দলনা প্রধান মন্ত্রী শ্রী নরেন্দ্র মোদীগী লুচিং মখাদা ভারতনা মশা-মরোমদোম লেপচবা, শাফবা, নুংঙাই-য়াইফবা অমসুং চাউথোকচবা লৈবাক অমা ওইনা অনৌবা পনখৈশিং মখা তানা য়ৌরগনি অমসুং ২০৪৭ ফাওবদা চাউখৎলবা লৈবাক অমা ওইনবগী লম্বীদা মপাঙ্গল কনখৎহল্লগনি হায়না থাজবা থম্লি।